# সি আর পি এফকী ইন্টর রেঞ্জ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে ইম্ফাল, দিব্রুগর অমদি কোহিমা রেঞ্জ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাঙজিংনা যুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৫ ফাওবা সি আর পি এফ রেঞ্জতগী লাকপা টিম ৮না গ্রুপ –২ থোক্না খায়দোক্তুনা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাঙজিং ইম্ফালদা ইন্টর রেঞ্জ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিপুটি ইনস্পেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফকী আই লোকেন্দ্রা সিংহ, মণিপুর অমদি নগালেন্দ সেক্টরগী কম্মান্দেন্ট বি আর মিনা, ১০৯ বট্টালিয়ানগী কম্মান্দেন্ট সোমনাঠ, ইম্ফাল রেঞ্জ ২১ সি, রামচন্দ্রানা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সেনিয়র ওফিসর অমসুং জৱানশিংসু শরুক য়াখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ইম্ফাল রেঞ্জ অমদি অগরটলা রেঞ্জনা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল রেঞ্জনা অগরটলা রেঞ্জপু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ইম্ফাল রেঞ্জকী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৩ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ২ চনখি। অগরটলা রেঞ্জকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা ইম্ফাল রেঞ্জনা বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা অগরটলা রেঞ্জগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা পেসর পীশিনখি।

মেটচকী মিনট ১০ চৎপদা ইম্ফাল রেঞ্জগী জর্সি নম্বর ১৩ ইবোয়াইমনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল তাখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাইশিংদা ইম্ফাল রেঞ্জনা গোল অনী মখা তনা হাপচিনখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ লেননা মিনট ২২ অমদি ৩০ চৎপদা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৩ চৎপদা অগরটলা রেঞ্জকী জর্সি নম্বর ১১ কে বোরোনা গোল অমা হন্দোক্তুনা ৩–১ দা লৈখি। অদুবু ইম্ফাল রেঞ্জনা মিনট ৪৬ চৎপদা লেনগী হেদট্রিক্ট গোল ওইনা মহাক্কী টিমগী ৪ শুবা গোল অদু চনখি।

ইম্ফাল রেঞ্জকী ৫ শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৬ ও লেপচনা মিনট ৬৪ চৎপদা চন্দুনা মেটচ অসি ৫–১ দা মায় পাকখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা দিবুগর রেঞ্জ অমদি গুৱাহাটি রেঞ্জনা শান্নখিবা মেটচতা দিবুগর রেঞ্জনা গুৱাহাটি রেঞ্জপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদার দিব্রুগর রেঞ্জনা অচেৎপা থজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা গুৱাহাটি রেঞ্জকী শান্নরোইশিংবু দিফেন্সতখক মথৌ তৌহন্দুনা খূদুম চনশিনখি।

মেটচকী মিনট ২১ চৎপদা দিবুগর রেঞ্জকী জর্সি নম্বর ৬ সি জাওলানা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনট ১০ কান্নরগা ৩১ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২৬ সুনরাম মুরমুনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

দিব্রুগর রেঞ্জনা মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু অহেনবা গোল হাপচিলক্কবা হোৎন্দুনা শান্নদুনা মেটচকী মিনট ৫৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ নগারাজননা টিমগী ৩ শুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা বোগায়গোন রেঞ্জ অমদি খাটখাটি রেঞ্জনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা গোল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ হৌরকপগী মিনট ১১ চৎপদা খাটখাটি রেঞ্জকী জর্সি নম্বর ১৮ সলিম এস কেনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

খাটখাটি রেঞ্জকী অনীশুবা গোল অদুসু খাট খাটি রেঞ্জনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মেটচকী মিনট ২৫ চৎপদা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু বোগায় গোন রেঞ্জনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্তুনা খাটখাটি রেঞ্জপু চপ চানা শীংন্নরক্তুনা শান্নরকখি। মেটচকী মিনট ৩৩ চৎপদা বোগায় গোনগী জর্সি নম্বর ৬ থাঙচুং নুগানা গোল হন্দোক্তুনা ২–১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক লাক্লবা হোৎনখিবগী মমল য়াম্লবা মহৈ অদু ফংদুনা বোগায়গোনগী জর্সি নম্বর ১৪ গৌতম সকারনা মিনট ৪৮ চৎপদা গোল অমগা হন্দোক্লবা ২–২ দা লৈদুনা মেটচ অসি মায়থিগদবদগী কন্দুনা দ্রো চৎল্লগা পোইন্ট য়েন্নখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি কোহিমা রেঞ্জ অমদি সিলচর রেঞ্জনা শান্নখিবা মেটচতা কোহিমা রেঞ্জনা সিলচর রেঞ্জপু য়াম লাকচন্না গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কোহিমা রেঞ্জকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ ওপেন সিংহনা মিনট ৯, ৪৩, ৪৪দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ২৬ এস এস কুগগুরনা মিনট ১৩, ৪৬, ৪৮ দা গোল ৩ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৮ টি টি জানথাংনা মিনট ১৭ অমদি ২৪ চৎপদা চনখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা খাটখাটি রেঞ্জ অমদি অগরটলা রেঞ্জগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচ ওইনা দিবুগর রেঞ্জ শান্নগনি।

অমদি কোহিমা রেঞ্জ অদুগা অহুমশুবা মেটচ ওইনা সিলচর রেঞ্জ অমদি গুৱাহাটি রেঞ্জগা শান্নগনি। অমসুং মরিশুবা অরোয়বা মেটচ ওইনা ইম্ফাল রেঞ্জ অমদি বোগায়গোন রেঞ্জকা শান্নরগনি।

# এস দি এ য়ু ট্রোফিদা ৱাঙজিং এফ সি অমদি শাপম এফ সি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু) তেকচমনা শীন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ২২ না গ্রুপ– ৭না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ১৭দগী চত্থরকপা অনীশুবা সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু ) ট্রোফি সভেন এসাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাঙজিং এফ সি অমদি শাপম এফ সি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা ৱাঙজিং এফ সি অমদি এস দি ইন্টরপ্রাইজেস চিঙথামনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙজিং এফ সিনা এস দি ইন্টরপ্রাইজেস চিঙথামবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৭–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিগী অপীবা মিনট ফাওবদা টিম অনীনা গোল ৩–৩ দা মান্না লৈন্নবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফ্রোম পেনালটি মাক কাওন্নবদা ৱাঙজিং এফ সিনা গোল ৪ অদুগা এস দি ইন্টরপ্রাইজেসনা গোল ১ খক চনখি।

মায় পাক্লবা ৱাঙজিং এফ সিগী অপীবা মিনটতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সুরেসনা মিনট ৯, জর্সি নম্বর ১৬ অবিশেকনা মিনট ২২ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ অরবিনা মিনট ৩২ দা চনখি। টিম অসিগী পেনালটিগী গোলশিং অদু দিনা, মৈরাবা, মালেমঙানবা অমদি নোংপোকঙানবনা চনখি।

এস দি ইন্টরপ্রাইজেসগী অপীবা মিনটতা চনখিবা গোলশিং অদু ননাওনা মিনট ১৭, ২৮ অমদি হেলিক্সনা মিনট ৩৮ দা চনখি।

৪শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শাপম এফ সি অমদি আর পি য়ু পপালনা শান্নখিবা মেটচতা শাপম এফ সিনা আর পি য়ু পপালবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৭–৬ তা মায়থিবা পীখি।

শাপম এফ সিগী অপীবা মিনট অমদি পেনালটিদা চনখিবা গোলশিং অদু রুহিকান্তা, কমান্দা, রোজেন, মাইকেল, নরকান্তা অমদি রিসিকান্তনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচশিং ওইনা হয়েং ৫ শুবা প্রি– ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা বি এল ন্যুট্রিসন তেকচম অমদি এ এস এস এ শঙ্গায় য়ুম্ফমগা শান্নগনি অদুগা ৬ শুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা এফ সি লমজাও অমদি এস ৱাই সি ও তেন্থাগা শান্নগনি।

# তরানিথোইশুবা য়োলো কপতা রোমা এফ সি, শীংথেম্বী অমদি এন কে এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ য়ং লর্নর্স লাইব্রেরি এন্দ লীদিং ওর্গনাইজেসন ( য়োলো) কৈবীনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী টিম ২৭না গ্রুপ–৮ থোক্না খায়দোক্তুনা কৈবী প্রাইমারী স্কুল গ্রাউন্দ কৈবীদা চত্থরিবা ১২ শুবা য়োলো কপ অন্দর ১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা রোমা এফ সি, শীংথেম্বী, এন কে এফ সি নোংদা কামেং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা রোমা এফ সি অমদি ১২ ষ্টার এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা রোমা এফ সিনা ১২ ষ্টার এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা রোমা এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ তাইসনিনা মিনট ৫ অমদি অনীশুবার হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৫ জেমসনা মিনট ৩১ দা চনখি।

মায়থিরবা ১২ ষ্টার এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী মিনট ১৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৩ নরেসনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শীংথেম্বী অমদি এস এস সি শাওম্বুংনা শান্নখিবা মেটচতা শীংথেম্বীনা এস এস সি শাওম্বুংবু য়াম লাকচন্না গোল ৮–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শীংথেম্বী এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সনাজাওবনা মিনট ২, ২৮ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ২ ননাওনা মিনট ২৯,৩৫,৩৯ দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ৭ মমাংনা মিনট ২৬,৩৮ দা গোল ২ অতোপ্পা গোল ১ দুনা জর্সি নম্বর ৯ সুরেসনা মেটচক্বী মিনট ৩৪ চৎপদা চনখি।


মায়থিরবা এস এস সি শাওম্বুংগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৮ মোরিসনা মিনট ৯ অমদি জর্সি নম্বর ১১ লনচেনবনা মিনট ৩০ দা চনখি।


১০ শুবা মেটচ ওইনা এন কে এফ সি নোংদা কামেং অমদি এ এন এন এল কে শাওম্বুংনা শান্নখিবা মেটচতা এন কে এফ সি নোংদা কামেংনা এ এন এন এল কে শাওম্বুংবু গোল ৭–৩ দা মায়থিবা পীখি।


মায় পাক্লবা এন কে এফ সি নোংদা কামেংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ বিক্রমজিৎনা মিনট ৬,২৩,২৪,৩২দা গোল ৪, জর্সি নম্বর ৭ জেমসনা মিনট ৪,জর্সি নম্বর ১০ পারিনা মিনট ১০ অমদি জর্সি নম্বর ৯ সদানন্দনা মিনট ৯ দা চনখিবনি।

মায়থিরবা এ এন এন এল কে শাওম্বুংগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ সিভাসনা মিনট ৯, ২০ অমদি জর্সি নম্বর ৬ ইন্দ্রানা মিনট ১৭ দা চনখি।

# য়ুম্নাম ষ্টেলিন অমদি অরধিয়া ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌরগনি







ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ থাইলেনগী বেঙ্কোক্তা লৈবা হাওমা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১০ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা থাইলেন ওপন ইন্টরনেসনেল করাটি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুন্নবা খনবদা মণিপুর এমেচর করাটি এসোসিয়েসনগী করাটিকাস অনী অমদি ওফিসিয়েল অমা খলক্লে হায়রি।

খলক্লবা করাটিকাসশিং অদুদি জুনিয়রগী কেজি ৭৫ মথক্কী কূমায়ট অমসুং জুনিয়র ইন্দিভিজ্যুএল কটাদা য়ুম্নাম ষ্টেলিন সিংহনি।

য়ুম্নাম ষ্টেলিন ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুম্নাম হুইদ্রোম খুনয়াই লৈকাইদা লৈবা য়ুম্নাম মনাও সিংহ অমদি য়ুম্নাম ওঙবী থৌদাম রঞ্জনা দেবীগী মচানুপানি।

সব–জুনিয়র ইন্দিভিজ্যুএল কটাদা অরধিয়ানি। মহাক অসি লৈমাখোং আর্ম্মি কেম্পতা লৈবা কর্নেল ভিবেক বিন্দ্রা অমদি সিমতাগী মচানুপীনি।

অদুগা রেফরি কম্মিসন ওফ নোঠ ইষ্ট ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী চিয়ারমেন্ট মুতুম বঙ্কিম সিংহনা রেফরি ওইনা খলক্লি। মহাক অসি এসিয়ান করাটিদো ফেদরেসন ওফ কম্মিসনগী ইন্টরনেসনেল জজসু ওইরি।

# 'দি' লাইসেন্স কোর্সকী রিপোর্ট তৌরন্নবা খঙহনলক্লি

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফ 'দি' লাইসেন্স ক্রোসতা য়াওগদবশিং রিপোর্ট তৌরন্নবা খঙহনলক্লি।

কোর্সাঅসিদা য়াওগদবশিং অদুদি– কে ঐচ সঞ্জোয় সিংহ, খূম্নথেম অঙৌতোন মৈতে, এস ঐচ হিমারনি দেবী, সি ঐচ বসন্তি দেবী, এস রতন সিংহ, টি সুন্দর সিংহ, থোঙচান ভরাহ, রিনয়াপাম সারিও, রিঙথুইঙম কমৈ, কে বিকেন সিংহ, সাইখোলেন কিপজেন, প্রভিসকুমার শলাম, এ ভাস্কর সিংহ, এস সদানন্দা সিংহ, ৱাই সুরজ সিংহ, এস নাওচা সিংহ, এস ইবুংঙো সিংহ, গোদৱিন ফদাঙ, এল বিশেশ্বর, রাহুল য়াদব, এম মনাও সিংহ, ঐচ দেবান সিংহ, এস কিসন সিংহ অমদি জোন জিমিকনি। রিজর্বি কেন্দিদেটো ঐচ থাঙহৌমুম অমদি পাওলেসিয়মনি।

হায়রিবা এ আই এফ এফ 'দি' লাইসেন্স কোর্স অসিদা য়াওগদবা মীওইশিং অসি জুলাই ৪গী নুংথিল পুং ৩ তাবদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পেলেক্সতা লৈবা সাইকল ভেলোড্রোমদা লাক্লগা কো–ওদিনেটর টি ঐচ ওজিৎ সিংহদা রিপোর্ট তৌরান্নবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন চার্জ এল জোয়টির মোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।

# অহুমশুবা কাপম কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টদা চীঙ্খু এফ সি অমদি চান্দেল সি ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ কাপম দিভলমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২০ দগী কাপম দিভলমেন্ট গ্রাউন্দ কাপম ভিলেজতা চত্থরিবা ৩শুবা কাপম কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চীঙ্খু এফ সি অমদি চান্দেল সি ৱাই সি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা চীঙ্খু এফ সি অমদি এফ সি কাপম (বি) না শান্নখিবা মেটচতা চীঙ্খু এফ সিনা এফ সি কাপম (বি)বু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৭–৬ তা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কাপম এফ সিনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ২ মাঙজিল থাদুনা চৎখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ রবিন্দ্রনা মিনট ৪ অমদি জর্সি নম্বর ১১ মোঙামফানা মিনট ৩২ চৎপদা চন্খি।

অদুবু গোল শোত্থরিবা চীঙ্খু এফ সিনা শোত্থরিবা গোলশিং অদু অনীশুবা হালল্ফতা হন্দোকখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ বুঙহোংনা মিনট ৬০ অমদি ৭৮ চৎপনদা চনখি। অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা গোল মান্না লৈবদগী কিক ফ্রোম পেনালটি মাকনা ৱিন্নর দিসাইদ তৌবা তাখি।

কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা চীঙ্খু এফ সিনা ৬ কাওবদা ৫ দি গোলদা ওন্থোকপা ঙমখি। গোলশিং অদু বুঙহোং, কোকো, রেঙহোং, মোমো অমদি রেঙসেননা চনখি।

মায়থিরবা এফ সি কাপম (বি) গী কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা ৬ কাওবদা ৪ খক গোলদা ওন্থোকপা ঙমখি। গোলশিং অদু রুঙদেন, জোন্সন, অলফ্রেদ অমদি গৌরোনা চনখি।

মেটচ অসিদা চীঙ্খু এফ সিগী জর্সি নম্বর ৩ রোসনদা মেটচকী মিনট ৩১ অমদি ৩৭ চৎপদা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোকহনখি। অদুগা এফ সি কাপম (বি)গী জর্সি নম্বর ১০ রবিন্দ্রদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী ২১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা চান্দেল সি ৱাই সি অমদি য়ু বি এস এ মন্তকনা শান্নখিবা মেটচতা চান্দেল সি ৱাই সিনা য়ু বি এস এ মন্তকপু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চান্দেল সি ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৮৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ থুমসননা চনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা চান্দেল সি ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৬ সসিকান্ত অমদি মায়থিরবা য়ু বি এস এগী জর্সি নম্বর ২১ জোসেপতা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুপর অমদি ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৪ দগী ২০ শুবা এস বিরেন্দ্রা সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ অমসুং ২৬ শুবা এস সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংনা শান্নরোইশিংগী সেন্ট্রল রিজিষ্টার সিষ্টেম ( সি আর এস) থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিনগদবনি।

সেন্ট্রল রিজিষ্টার সিষ্টেম ( সি আর এস) তৌহৌদবশিং হায়রিবা লীগশিং অসিদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

প্লেয়রশিংগী সেন্ট্রল রিজিষ্টার সিষ্টেম ( সি আর এস) নম্বর ইমম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনদা থা অসিগী ১১দা পীশিনলক্লবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন চাজ ঐচ চেতন সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।

# মঙাশুবা হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯ শন্নবা হৌখ্রে

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী ৫ শুবা হিল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

স্পোর্টস মীট অসিগী শরুক অমা ওইনা নুপাগী ফুটবোল মশান্নদা টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্না খাইদোক্তুনা শরুক য়ারি। পূল–এ দাঃ– দি এস এ তমেংলোং, দি এস এ সেনাপটি অমদি দি এস এ উখ্রুলনি। পুল–বিদনাঃ– দি এস এ চূড়চান্দপুর, দি এস এ সদর হিলস অমদি দি এস এ চান্দেলনা শরুক য়ারি।

গ্রুপ–বিগী মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা দি এস এ সদর হিলস অমদি দি এস এ চান্দেলনা শান্নখিবা মেটচতা দি এস এ সদর হিলসনা দি এস এ চান্দেলবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

দি এস এ সদর হিলসকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ খায়খোজিননা মিনট ১৩ অমদি জর্সি নম্বর ৩ থোঙখোনা মিনট ৪৩ চৎপদা চনখি। দি এস এ চান্দেলগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ থুমথানা মিনট ৫০ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–বিগী মেটচ ওইনা দি এস এ উখ্রুল অমদি দি এস এ তমেংলোংনা শান্নখিবা মেটচতা দি এস এ উখ্রুলনা দি এস এ তমেংলোংবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। উখ্রুলগী গোলশিং অদু রাগুই অমদি কৈশিংনা গোল অমমম অদুগা বাসুমনা গোল ২ চনখি।

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For
2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution-Sunday & Holiday (Morning)
Class Commence : 15th July, 2019
Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : 1st Week of July, 2019
Physics Faculty: Madam Tamphasana, Former Lect.: HRD Academy, St. Joseph's School, Maria Montessori Sr. Sec. School
Chemistry Faculties: 1. Miss Nuja, Lect. COMET Sch. 2. Miss Saroja, Lect. MEM Hr. Sec. Sch.
Biology Faculties: 1. Miss Lunfasana, Former Lect. HRDA 2. Sir Romharsha, Lect. KP College
Maths Faculties: 1. Sir. L. Basanta, Former Lect. HRDA 2. Sir Ingobi, Lect. ADVANCE Sch.
English Faculty: Sir. Susil Singh, Former Lect. Little Master Sch, KP College & DAV
Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test. Van Services Hostel (Boys & Girls) Office timing: 7 am - 7 pm
Pliz contact: Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

# দি ৱাই এস ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী ট্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জুলাই ০২ (এস এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফির্য়স এন্দ স্পোর্টস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা বেদমিন্টন, হোক্কি , সুটিং , ফুটবোল , টাইক্কন্দো,আর্চরি, এঠলেটিক, বোক্সিং অমদি রেষ্টলিংগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

বেদমিন্টনগী চহি ১৪ অমসুং ১৭ নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ট্রাইয়েল জুলাইগী ১৫ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

হোক্কিগী চহি ১৪ অমদি ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগীনা জুলাই ১৫ দগী ১৭ ফাওবা, সুটিংগী চহি ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগীনা জুলাই ১৫ দগী ১৭ দা সুটিং হোলদা পাঙথোক্কনি।

ফুটবোলগী চহি ১৭ নুপামচা অমদি নুপীমচাগীনা জুলাই ১৮ দগী ২০ ফাওবা , টাইক্কন্দোগী চহি ১৭ নুপামচা অমদি নুপীমচাগীনা জুলাই ১৮ দগী ২০ ফাওবা , আর্চরিগী চহি ১৭ নুপামচা অমদি নুপীমচাগীনা জুলাই ১৮ দগী ২০ ফাওবা , এঠলিটিকগী চহি ১৪ অমদি ১৭ নুপামচা অমদি নুপীমচাগীনা জুলাই ২২ দগী২৪ ফাওবা, বোক্সিংগী চহি ১৪ মখাগী নুপামচা, চহি ১৭ মখাগী নুপামচা, নুপীমচাগীনা জুলাই ২২ দগী২৪ ফাওবা, অমদি রেষ্টলিংগী চহি ১৪ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচা অমসুং চহি ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগীনা জুলাই ২২ দগী২৪ ফাওবা পাঙথোকনি হায়রি।

ট্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা স্কুলশিংগী শান্নরোইশিংনা দি ৱাই এস ও ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিস মতমদা লাক্তুনা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোম লৌবা য়াগনি। অদুগা ফোম পীশিনলকপগী অরোয়বা মতমনা জুলাই ১২ ফাওবনি।

শান্নরোইশিংনা ফোম পীশিনলকপা মতমদা মশা মশাগী অধার কাদ, ডেট ওফ বার্থ সর্টিফিকেট অমসুং চহি ১৭ মখাগী শান্নরোইশিংনা মেট্রিক সর্টিফিকেট লোয়ন্নরকদবনি হায়রি

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com